**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৯-০৯-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লৈবাক অসিগী উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল ঙসি পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা এন.দি.এগী সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী বি.সুদরসন রেদ্দি লম্বা থেংনগনি।

২) মণিপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অনি ফারে। ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙল্লে।

**অমসুং**

৩) মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসিদগী হৌরগা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**------**

**মীখল ঃ** লৈবাক অসিগী উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল ঙসি পাঙথোক্কনি। মাখল অসিদা এন.দি.এগী মীরেপ ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপ হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ- বি.সুদরসন রেদ্দিনা লম্বা থেংনগনি।

উপ-রাষ্ট্রপতি অসি সংসদকী সভা অনিমক্কী সদস্যশিং য়াওবা ইলেক্তোরেল কলেজ অমনা খনগদবনি। হৌজিক হৌজিক লোক সভাদা সদস্য ৫৪২ অমসুং রাজ্য সভাদা সদস্য ২৩৯ লৈরি। পুন্না ইলেক্তোরেট ৭৮১ লৈবগী মনুংদা ৩৯১ ফংবনা মেজোরিতি ওইগদৌরিবনি। হান্নগী উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা জলাইদা ফম থাদোকখিবদগী অনৌবা উপ-রাষ্ট্রপতি অমা খন্নবা মীখল পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরকপনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লৌখৎলকপা চেকশিল থৌরাংগী মনুং চন্না সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ঙরাং আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউ অমনা হায়-রাজ্য পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিৱা রোদ নাওরেম লৈকাই এরিয়াদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমা ফাগৎপা ঙম্লে। মীওই অসি স্কুল অমসুং মীচম মীয়ামদগী কিহন খঙহন্দুনা নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মীওই অসিদগী মোবাইল ফোন অমদি অধার কার্দ ফাগৎপা ঙমখি।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়- মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এসিয়ান হোস্পিতাল মনাক্তগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি(অপুনবা সিতি মীতৈ)গী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মীওই অসিদগী চাকা অনি পানবা গারি ১, মোবাইও ফোন, সিম কার্দ ৪, আধার কার্দ অমসুং পান কার্দ ১, ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নোর্থ এ.ও.সিদগী মীওই অমা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ৯৪০ ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসননা কোনবা মহাবলি এরিয়াদা মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চথবদা দি.আই.সি লিক্কর লিতর ২৩ ফাগৎপা ঙমখি অমসুং মীওই ৭ না দিতেন্ট তৌখি।

পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও লৌথোক লৌকোনগী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইরন বোতলিং মেছিন অমা, ওপিয়োইদ কোদাইন ওইরমগনি চিংনবা পোৎলমশিং, অহাংবা ব্রাউন বোত্তল লিশিং ১,৪৬১, হ্বাইট প্লাষ্টিক কেপ ৬২৫, হ্বাইট লিদস পেকেট ১, কোমোফ্লেক কোম্বেটকী ফিরোল সেট ১, ওপিয়োইদ কোদাইন ওইরমগনি চিংনবা মহিশিং য়াওবা বোত্তল ১৮৫ ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা নিয়মগী ৱাংমদা আইন কাইনা গারি থৌবশিং ফাগৎনবা চথবা ড্রাইভতা ঙরাং গারি ৮৮ তগী চলান কত্তুনা মোতোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ২৭ খোমগৎপা ঙমখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গারি ৪ দগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি। অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী নেসনেল হায়ৱে ১০২-বি গুইতে রোদ তা লৈবা পুলিস মোতোর ভেহিকল গেটতা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক তৌবগী থবক চথবদা দ্রগ স্মগ্লর মীওই অনি ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী কে.জি ১.৯ লোম লুম্বা ব্রাউন সুগর য়াওবা সাপোন কেপ ১৭৬ অমসুং চাকা মরি পানবা গারি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

**গভর্ণর(এল)ঃ** ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট সর্কলগী চিফ জেনরেল মেনেজর প্রভাস বোসনা মহাক্কী সেনিয়র ওফিসরশিংগা লোয়ননা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙরাং রাজ্যপাল অজয় কুমা ভাল্লাগা উনখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা, মীহুৎ কাংবু অদুনা অৱাং নোংপোক্তা এস.বি.আইনা শেল থুমগী ফিভম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং কেন্দ্র সরকারগী স্পোন্সর স্কিমশিংগী মতাংদা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

অমরোমদা, কালা অমসুং সংস্কৃতিগী লমদা শকাইরবা ভারত রতা ডা.ভুপেন হজারিকাগী মপোক নুমিৎনা লাকপদা ইকাই খুমবা উৎলি।

সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা রাজ্যপাল শ্রী ভাল্লানা হায়- ভারত রতা

ভুপেন হজারিকানা ম্যুজিক কলচর অমসুং সোসিয়েল হার্মোনি পীরম্বা কন্ত্রিব্যুসনশিং অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা পুকিং থৌগৎলি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী পারি পুরি অথৌবা নিংশিং লুপ, জিরিবামগী ওইনা চৎলিবা চহী ২০২৫ দগী ২০২৮ ফাওবগী ওইনা থৌ পুগদবা মীওই ১১ না শাবা কাংবু অমা খনখ্রে। লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি.ঐচ.রতননা হায়-টি.ঐচ সোমোরেন্দ্রো অমসুং ৱাই রোমিয়োনা মথং শিৎনা লুপ অসিগী চেয়রমেন অমসুং কো-চেয়রমেন ওইনা থো পুরগনি।

**নোং (এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসিদগী হৌরগা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। সেন্তর অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি রাজ অসিগী জিলা পুমমক্তা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই। অদুগা, জিলাশিং অসিগী মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি হায়রি। হয়েং- কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিং নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা নোং চুগনি। থংনবা নুমিত্তনা- কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং জিলাশিং নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুগনি। অদুগা, থা অসিগী ১২ দনা রাজ্য অসিগী মফম শিনবা থুংনা পাক শন্না নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, রাজ্য সরকারগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা থোকপা চরোল অমগী মতুং ইন্না শাবগী চাং অসি রাজ্য অসিগী ওইনা নোনে জিলাদা সেলিসিয়স দিগ্রি ৩৫.১৮ ওইখি। অদুগা, তামেংলোং জিলাদনা খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা সেলসিয়স দিগ্রি ২১.৭ ওইখি।

**জি.এস.টিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- গুদস এন্দ সর্ভিসেস তেক্স(জি.এস.টি)গী শেমদোক্লবা জি এস টি গী চৎনা কাংলোনশিং অমদি

মসিনা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবশিং নিংথিনা খঙহন্নবা এন দি এ গী এম পি শিংদা খঙহনখ্রে। ওন লাইন গেম্মিং এক্ট ২০২৫ গী মতাংদসু নিংথিনা খঙহন্নবা অপিল তৌরি। ৱাফম অসি বিজেপি অমসুং এন দি এ গী এম পি শিংগী ঙরাং লোইশিনখিবা ৱার্কসোপতা শ্রী মোদিনা ফোঙদোকখিবনি।

ৱার্কসোপ অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়, ৱার্কসোপ অদুদা, হান্দক্তা সঙসত্তা পাস তৌখিবা বিলশিং অদুগী মতাংদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়া থমখি। জি এস টি গী অনৌবা চৎনা কাংলোন কয়া অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পীরিবা কান্নবা কয়া অদুগী মতাংদসু প্রধান মন্ত্রিনা নিংথিনা ফোঙদোকখি। ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবা এম পি শিংনা, উপ্পা রাষ্ট্রপটিগী মীখল লোইরবা মতুংদা, মহাক মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্রশিংদা ৱার্কশোপ অদুদা মীয়ামগীদমক খন্নখিবা ৱাফম কয়া পাউদমলুগনি। শ্রী রিজিজ্না হায়-

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকী মাংওইননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিতিকেল পার্তিশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা সি.এস.ওশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎকী মতাংদা পোলিতিকেল পার্তিশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল অমসুং মোর্নিং বেল পাউচেশিং

অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

মোদি খোঙচৎকী মতাংদা সি.এল.পি লিদর ওক্রম ইবোবিনা লাক্তবা য়াদবগী লাকপদি ওইহন্নিংদে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সুগী মতুংদা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী মতাংদা ৱারি মখা চত্থগনি হায়না সু গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ ভবন বি.জে.পিগী ওফিস ওন্থোকপীরেঃ ও.ইবোবী- হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসতা ৱার্ল্ড ফিসিও থেরাপি ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবা অমদি গভর্ণমেন্টনা গ্যাস এজেন্সীশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চংবা হৌরে হায়বা পাউশিং- পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎতা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবগা লোয়ননা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়াসু উরেপ উয়ুং তমগদৌরি হায়বা পাউনা- নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পি.আই.বিনা সু এগ্রিমেন্টকী মতাংদা থোক্লিবা ৱারোল অদুনা চমমবা কয়া থোকহল্লে হায়বা পাউ অমদি কুকি মিলিতেন্টশিংনা বস খামদুনা পেসেঞ্জরদগী মোবাইল মুনখ্রে হায়বা পাউ অমসু- পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

মীয়ামগী মীহুৎশিং ইন্দিয়ানা লৈরগা থমখ্রে হায়না য়ু.সি.এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নরেন্দ্র মোদি খোঙচৎকী শেম শাবা লোইশিল্লক্লে, ঙসি গভর্ণরনা চুরাচান্দপুরদা মখা তানা চত্তুনা য়েংশিল্লুগনি হায়বা পাউ অমদি মথংগী মণিপুরগী এশেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপদা কংগ্রেসতদি অথোমবা হৌরে, মমাঙগী ইলেক্সনদা বি.জে.পিগী মীরেপশিং ওইখিবা এক্স এম.এল.এ অনি য়াওনা মীওই অহুম কংগ্রেসতা চংলকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পিগী এক্স এম.এল.এ অনি কংগ্রেসতা য়াওরকখিবগী পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- মোর্নিং বেল অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা ফোঙলি।

মিসন এম.এস.আর.এল.এম অমসুং পি.এন.বি অনিগী মরক্তা এম.ও.য়ু সাইন তৌনখ্রে হায়বা পাউ অমসু- মণিপুর মেল অমসুং গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নেপালদা মীয়ামগী খোঙজংদা মীওই ১১ লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমসু তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**